ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯵꯱ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ১৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৫১শুবা মশীং

## য়াওশঙ

### অহেনবা চাদিং তৌদবা চুমগনি

কোয়বা-লাংবা, হরাও-কুম্মৈ পাঙথোকপা, শরুক য়াবা হায়বসি শেল-থুমগা মরী লৈনৈ। পামজদুনা তুংইন্দুনা চৎনরিবা লাইনিং-লম্বেলগসু নকশিন্নবা মরী লৈনৈ। থোইদোক হেন্দোক্লা পীকচরবসু ফুরুপ-কাঙলূপ য়াম্না খুন্দামিন্নরিবা ফীভমগসু তৎন-থানবা য়াদে। অসিগুম্বা লাইনিং লিচৎকা নৎত্রগা ফুরুপ-কাঙলূপকী য়েলহৌঙৈদগী শাগোন্নরকপা কুম্মৈ-ফিয়োংশিং অসি শেল চঙগনি হায়দুনা তৌদবা য়াদবা, পাঙথোক্তবা য়াদবসু নত্তে। শেল খক্কী খল্লুবসু য়াদ্রি। অদুবু হন্দক্কী মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা তমথীরবা মীহাৎ লায়না ‘কোভিদ-১৯’ না মীওইবা খুন্নাইবু খম থেংনা অৱা ঈপাক্তা ঈরাক্লহল্লকপদগী মসিগী মৈশা পীকখ্রবা মণিপুরদসু ফংখি। মার্চ ১৭, ২০২২ ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা লায়নাসিনা শিহনখিবা অপূনবা মীশিং ২১২০ শুজিনখ্রে। অদুগা অমুক হল্লক্লরোইদবা থৱায়মক মাঙখিদ্রবসু লায়নাসি পোজিটিভ ওইরুবদগী হকচাংগী ফীভম শোক্না, শোন্দম নাদমদুনা হিংলিবা মীওইশিংসু কোকথোং অমা য়াওরি। চৈরকসিদা য়াওশঙ কুম্মৈ অমুক্কসু য়ৌশিল্লকপনি। মসি ওইরগদি হৌজিক কৈদৌবা তাবগে? শেল তিংগনি, অহেনবা চাদিং তৌগনি হায়বরোমদদা খল্লুবসু য়ারোই। মণিপুরদগী মরূ ফংনা মূত্থৎতুনা খোঙ্গুলফাও লৈত্রে হায়বমক নত্রগসু নুংতিগী থেংনবা পোজিটিভ কেস মশীং শীংথানবা য়ানা হন্থরক্লে, পোজিটিভিটিগী চাংসু নেন্নে। মসিমক্না হান্নদগী থিংজিন্দুনা থন্নকপা মীয়ামগী নোর্মেল এক্টিভিটিশিং কোমথোরক্লে, মহৈশঙশিংসু মহৌশাগুম হাংদোরক্লে। হান্নগী ফীভমদুদা চপ চানা হঞ্জিল্লে। অদুবু ফীভমসি ওইরক্লে অমসুং লাইনীং লাইশোনগসু মরী লৈনবা কুম্মৈনি হায়দুনা য়াওশঙদা মহৌশা মহৌশাগুম খূৎচাও থাদুনা অহেনবা চাদিং তৌবদি চুন্নোই।

য়াওশঙ কুম্মৈ নৎত্রগা হোলি ফেষ্টিবেল হায়বসি মীতৈ/মৈতৈ নৎত্রগা মণিপুরী খুন্নাইগা য়েলহৌঙৈদগী হৌদোকমিন্নরকপা/শাগোন্নরকপা কুম্মৈ ওইবা ওইদবা, লমখাংদা খাঙঙুথক্তগী চঙলকখিবা লাইনীং লম্বেল অমগী ওইবা/ওইদবগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা কুম্মৈসি পাঙথোকপনা মণিপুরী খুন্নাইদা পীরকপা কান্নবশিংদগী মাঙজবনা, মহাম তাহল্লকপনা হেল্লি হায়বা খঙনরকপদগী চহী খরগী মমাঙদগী য়াওশঙ কুম্মৈবু শান্ন-খোৎনবা ‘স্পোর্টস’ রোমদা ওন্থোক্লরক্লিবনি। মসিমক্না য়াওশঙ কুম্মৈ করিনো হায়বসিময়েক শেংনা তাক্লবনি। মসি হায়-হায়দুনা কুম্মৈ অসিনা পীরিবা পূক্নিং-ৱাখল অমসুং থম্মোয়গী ওইবা হরাও-তয়াম্বগী মমল য়াম্লবা ঈথিল অদুদগী নাথৈরসি, মদু পূম্নমক লৌরগুমসি হায়বা নত্তে। হান্নদগীসু স্পোর্টসলোমদা ওন্থোক্লরকপগী মথক্তা কোভিদ পেন্দমিককী মরোল নাইবা ৱেভশিং হকথেংনদুনা লাকখ্রবনা তঙাইফদনা লাইনীংগা মরী লৈনবা তৌফদ্রবা থবকশিং খক্তমক পাঙথোক্লগা তেনশিনসি, মদুদা পেন্থোক্লসি হায়বগী ৱানি। হরাও তয়াম্বনা পূক্নিং-হকচাং নুংঙাইহনবদুসু মরু ওই অদুবু য়াওশঙ কুম্মৈ লাক্লে হায়দুনা পোইনুদা লৈখিদ্রবা অপোকপী মমা ফাওবা ফক্লোংনা কুপশিন্দুনা থন্নগা লৌ য়ৈ হায়বদুগী থৌদৌদুদি তৌগুমসি হায়বনি। ইনাক খুনবা, চাওখৎপা ষ্টেটশিংগী মতৌ চীংলৈবাক মচাসিদা লৈরিবা মীয়াম্না তম্লুবা য়াখিরোই। অৱাংবা য়ূম খরবুদি লৈরে, অতাঙবা গাড়ী খরসু উরে অদুবু হন্দক কোভিদ মনুংদা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) গী কার্দ পায়বশিংদা সুপর ফাইন চেঙ কিলোগ্রাম ৫/৫ খক থাগী ওইনা য়েনবদা কোক্কাই লুকাইনবা য়াওখ্রিবদুনবু লমদমসিগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোন কয়াম য়াম্না অমসুং কদাই ফাওবা ফগৎলম্লগদগে? পীক্লবসু মণিপুর ফুরুপ-কাঙলূপ ময়াম পূন্না খুন্দামিন্নবনা হরাও-কুম্মৈশিং থা ১২না শাবা চহী অমদা খুরক হাংদনা লৈরিবনি। থৌরম খুদিংমক্তা পুল্লপ-পুল্লপ শরুক য়ামিন্নদুনা হরাও তরাম্না পাঙথোকমিন্নরকপা অসিবুদি খ্বাইদগী হেন্না মমল য়াম্মী, ফসু ফৈ। মতুংদসু নুংশিনবগী লৈরিবা কল্লবা লিপুনসি অদুম্মক লেঙদনা লৈখিবা ওইসনু। অদুবু ঙসিগী ইন্টরনেট এজ অসিগসু তায়ওন্নবা, মণিপুরী খুন্নাইদা পীবা কান্নবা হরাও-তয়াম্বখক নত্তনা মাঙজবনা হেনবা কুম্মৈসিদা অহেনবা চাদিং তৌদুনা মীয়ামগী শেন্মীৎলোনদা হেন্না শোকচিন্নবা হোৎনবগী থৌদৌ অশিংবা, তুংগী পোরম খঙবা, মীৎয়েং শান্না উবগী খুদম ওইরোই। তৌদবা য়াদবা লাইনিংগা মরী লৈনবা লাইশোন-তিনশোনগী থবক খক্তমক পাঙথোকসি। অহেনবা চাদিং তৌদুনা মখে লাংলুবনা কান্নরোই। হৌখিবা চহী ২দা মমিংতগী ওইনা তৌদুনা পীকশিনখিবদা করিসু মাঙজবা লৈখিদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৮

১) মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিকনি ‘খুরুমজবগী অথুপ্পা মহাউ (ভক্তি রস)’ হায়বসি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“লমকোয়বগী খোর্জেদগী”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অয়েকপম শ্যামসুন্দরগী ***“মাইনু পেমচা”*** হায়বসি ইংরাজিদা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***“মালঙনা লৈখোক্তা হংখি/কদাই ঙরাংগী শিঙ্গারৈ,/লেমহৌবা উফুলদা হংখি/’সিরা ঐগী মপোক্তো।।/কম্লবা উনানা ৱাকৎলি/করিগী কেলহল্লি ঐবু/শিন্নরম্বনি উপালদা/য়েন্নিংথানা হল্লক্ত্রিফাও।।”*** শক্লাইরবা শৈরেংবা অমগী শৈরেং মতেকনি। শৈরেংবসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

৫) ***“খোইয়ম অশীবদি, লয়শেম লয়রোই ঙমদনবগী, কুরু শিদবা সনা মখোঙ-খা চেংলৌ মায়থোং-ওন, কুমচীং হিগোক লীওংনা, য়াথং পাউমেনজঙমদা, শমু খোঙবী লয়খৈ য়েংনা ৱাইথুংলববু, নমু মীপূক খঙবা লাইয়িংথৌনা, মপারী শককোয় চিংনা য়েংনা শানখঙলুরবগী, পারী অতোনবা, শংলৌ মথৌরাংনরিঙৈনে, নিঙখল্লুরবগী অমরক ৱাহমখিয়ে।”*** ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পঙনুংদা অদুম নুংঙাইজখ্রে

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



***“তরামাথোইশুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মতম লোইরে”*** হায়বা ৱাহৈ পরেং অসি ঐখোয়গী ইনেগী নাপ্পা অনী অদুনা তাবদি অদুম মতারমগনি, তারমগনি। লৈকায়দা চৎপদা, রেদিও থাগৎলুদুনা তাবদা, টেলিভিজনদা পাউ থাগৎলুবদা। মতাংসিদা ***তরামাথোইশুবা***হায়রিবসি ইনেনা খঙবু খঙলমগদ্রা? ***মণিপুর*** হায়রিবসিনা কদাইদগী হৌরগা কদাইফাওবা চিংলিবনো হায়বসি ইনেনা চাউরাক্লা খঙলমগদ্রা? ***ষ্টেট*** হায়রিসিনা করিনো? ***এসেমব্লি***হায়রিসিনা করিনো খঙলিদ্রা? ***মতম লোইরে*** হায়রিসিনা করম হায়না হায়রিজাৎনো খঙলিদ্রা? ইথন্তা কোকপু ঙাওরকই মসুম্না খল্লু খল্লুরগা? মসি ইংলিস লোন্দা হায়রসু, ইমা লোলদা হায়রসু ইনেনা খঙবা ঙম্বা ৱারা হায়বা অসিনি। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা লৈরিবা ইনেগী মশীংসি কয়ানো লৈরমগদৌরিসে, ফনদি য়াল্লমগনি।

মীতৈনা ইলেক্সনবু ভোট হায়না ইশম শম্না খঙনরকই, হৌজিকসু অদুম খঙনরি। হৌজিক্তি মসি পামজবা মীহুৎ অমা খনবগী থবকনি হায়দুনা মীখল হায়নসু পাক শন্না খঙনরে। ইলেক্সননা অহানবা ওইনা মণিপুরদা থোরকপা মতমদা ভোট, ভোট হায়না মণিপুরগী মী ময়ামসিনা য়াম্না তোয়না পন্নরমগনি অদুদগী অদুম হেক্তা ভোট হায়না খঙনখিবা ওইরমগনি। রিচার্জ কাপ্পা, ফোন ওকপা হায়নরিবা অসুম হায়না। লোন্থৈমকসু হেক নত্তবা, হেক চুম্বমকসু নত্তবা, অহানবা তাবগা অমনা হায়খিবদগী সুম্মাইনা মরী মরী অদুম হেক্তা খঙনথোকখিবা।

ভোট অসি মীখল হায়না হায়জরগে। মীখল য়াম্নসু নকশিল্লকপা নত্তবা য়াম্নসু লাপ্পা নত্তবা মতমদা সোসল ৱার্কর হায়না খঙনবা মীগী ময়ূমদা চঙল-চঙলগা মীগী অনা অয়েক্তা য়াম্না মতেং পাঙ্গনবা, লৈকায় লৈকায়গী চাক চানবদা, শুমাং কুম্মৈ, ঈশৈ তৌবদা শেল য়াম্না হাপকনবা, লৈবাক্কী থবক থৌরমশিংগী মীটিংদা শেল য়াম্না হাপকনবা, লম্বীদা নূঙ হৈথগনবা, মীনুংশি য়াম্না চাউবা মী মখল মখল য়াম্না উবা হৌরক্কনি। ভোট লেপ্লোইদবা মীনা অসুম্না শেলকা হাপ্পুবদা ভোট লেপকদৌরিব্রা হায়দুনা লঙনবা ফাওবা য়াওনরবা মতমনি।

সোসল ৱার্করশিং অয়াম্বা মতমদা ইমা ইবেলশিংবু পূনশিনবা য়ানবা অমদি মাগী ওইনা পূনশিনহন্দুনা অমুকসু মখোয় মশাগীসু কান্নজনবগীদমক সেল্ফ হেল্প গ্রুপ হায়না খঙনবা শেন্থং মচা মচা পীবা লূপনাউ মচা মচাশিংসু মতম মতমগী শেমহন্নে। মৌ নহাশিং, ইমা ইবেলশিংনা মদুদা হরাউজে, পেঞ্জে, চাউথোকচৈ। মখোয় মশেল চাং নাইনা পূঞ্জনবগী তাঞ্জা ফংজে। থবক অচিনবা কয়া কয়া কাইথোকচদুনা চাং নাইনা অয়ূক নুমিদাং পূনবা চৎলি। মদুম্মাইনা পূল্লবদি মখোয়না কান্নবা ফংগনি হায়না নুংঙাইজৈ। ইনে অমনা লুপা লিশীং অনী/অহুম পূবা ফংই। সিদগী হেনবসু পূবা ফংই হায়নৈ। শেলসু মচেৎ মচেৎ শিংলবনিনা অদুম চহী চুপ্পা অদুম উনবা ফংলে মখোয়সু খরা খরা কান্নজরে হায়জৈ। মতম অসিদা মী অমনা হিংবদা চঙলিবা শেল অসি লিশীংদা নত্তে, লাখ লাখনা খুজিং ওইরগনি অদুবু শেল খিজিক্তা ওইরবসু পূবা ফংবা হায়বসে লৈজদবা ইনে অমদদি কয়ামুক শিদহীদাক ওইনা থোক্লমগদগে খনবদা অদুম উরে। ঐখোয়না পূবা ফংলিবনা লুপা লিশীং অনী/মরিগী ৱানি। মদুনা হিংবদা কোন্নবা পোৎতি নত্তে, অদুবু মপাং মপাং ওইনবা য়াই। চৎনবা য়াবা করবার অমা তৌবা য়াবা শেলমক নৎত্রবসু শেল পূবা য়ারে হায়দুনা ৱাখল নুংঙাইবা অমদি লৈ, লুপা লাখ লাখ চিনবা নত্তবা লুপা মঙা, তরা, চাম্মা, চনি চিনবা মীসু য়াম্না লৈ। শেল মচা চিনবা কাঙবুদদি শেল মচা মচা পূবা ফংবসিসু য়াম্না খোয়দাজবা অমনি।

মীখল মতম হেক নৎত্রিবমখৈ সোসল ৱার্করশিংনা নৎত্রগা পোলিটিসিয়নশিংনা ইনে ইন্দোন, ইমা ইচাশিং, অহল লমনশিংবু লৈবাক্কী ৱা খন্ন-নৈনবা তাও নোংমত্তা হায়বীদে। নোংমতা মীটিং তৌদুনা তাহনবা লৈতে অদুবু মীখল মতম জর-জর নকশিল্লকপদদি মীয়াম পূম্নমক য়ূমদা চাক-ঈশিং চাবা তোকহল্লগা মফম কয়াদা কৌ কৌদুনা চাক ঈশিং পীজরগা মীটিং তাহন্নে। মীটিং তাগদবগী খোইরেল মসা পাইনৈ। নুংতিগী অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং পা পাদুনা ৱা খন্নবা মীটিং তৌবা হেনমনখিদনা লিভর, চাকখাও শোকপফাওবা য়াম্না য়াওনৈ। হোস্পিটাল য়ৌবা য়াওনৈ। মীখল নুমিৎতা লান্না থৌরম থোকপা য়াওনৈ।

মীখলগী মতমদদমক নহানমখৈ তারম তারমদবা ***অফৱা*** কয়া অমা মেনিফেষ্টো (মীখল-শরী) হায়না ইশিল্লদুনা লৈবাক মীয়ামদা লূকমায়দা হাপ্লগা থেল্লি। মদু চৎনগেরা চৎনরোইরা থায়নদগী অদুম পুথোক্লরকই। মৈ লেম্না পীনি, লাইরিক লেম্না তমহন্নি, ঈশিং লেম্না পীনি, লম লৈতবদা লম পীনি, য়ূম লৈতবগী য়ূম শাবীনি, অমুবা আইন লৌথোক্কনি, অদু চৎহনগনি, অদা চৎনহনগনি অসিনচিংবা ময়াম অমা। মদু কারবা মতুংদা করি অমত্তা তৌরক্ত্রসু অদুম য়ারে। থা অমা থা অমা মখায়মুক্কী লাঙবা নিনবা য়ানবা পঙহায় হায়জিনবা নুংঙাইনবা ওইনা তৌনৈ। মীয়াম্নসু অদু হায়খ্রগা তৌরক্ত্রেনা হায়দনা হায়রুবসু য়াবা নত্তে, কান্নবসু লৈতে। ৱা ঙাঙবা তম্নবা হীরম ওইরগা তোক্লে।

ঐখোয়না ভোট ভোট হায়দনা ভোট থাদনরিবা অসিবু কৈদৌননবা ভোট থাদনরিজাৎনো? সরকার সরকার হায়রিসিনা করিনো? পোৎ চৈ মমলগা তাঙহল্লিসিনা করিগীনো অদুগা কনাননো? অথৌথাও কমদৌনা ঙাইহাক লৈতনা মমল হেঙ্গৎলিজাৎনো? গাড়ী থৌনবা থাও অসিনা করি লমদগী পুরক্লিনো? থাও কদাইদা থোকপনো? কমাইনা শুংলিজাৎনো? টেক্স হায়বা অমসু লৈব্রা? টেক্স হায়বসিনমুক করি? গাড়ী অতোংমল তাঙলিসিনা কনানা তাঙহল্লিনো? কমদৌনা ভারা হেঙ্গৎলিবা? মরম চাব্রা চাদব্রা? মিনিষ্টর হায়রিসিনা করি? সরকারগা গভর্ণমেন্টকা লৈঙাক্কা করি করি খেন্নরিবা? সরকারনা শেল অসুক য়াম্না পায়রিসিবু কমাইনা পায়রিজাৎনো? শেল নম্নবা মেছিন অদুনা শেল অদু পঙনমদা নল্লিজাৎলা? তোলোপ অসিনা কমাইনা পীরিবা? থোং শারিবা, লম্বী শেল্লিবা ময়াম অসিনা কদাইদগী লাকপা শেলনা শারিবা, শেল্লিবা ??? মসিগুম্বা ময়ামসি খঙহনবীদ্রবা উদগী তাবমুক পঙহনবীরবা ইনে ইন্দোন ময়াম অমা লৈখ্রে, ইচে ইচন, খুড়া, তাদা, মাম্মা ময়াম অমা লৈখ্রে। মীয়াম তিনবা মফমদা মমিং ইয়ুগা হায়রুবদা মকপ্লাক অদু চেঙ খৈবমুক নীকপা খুঙ্গংচা কয়ামা লৈরি, পোক্লকখিগনি, হেঙ্গৎলকখিনি। অসিগুম্বা ময়াম অসি লৈহল্লিবমখৈ ভোট লেপ্পসু নুংঙাইরকখিনি। শেল খজিক্তং পীবদা ভোট পীয়ু য়াগদবা মী মশীং য়ামখৎলকখিনি। পুন্সিদা চামঙা চৎপী অনী শুনা পায়জবা ফংহল্লক্ত্রিবা মীয়াম অমা লৈরি। মখোয়দা লিশীং মঙা পীশিল্লবদি মখোয় কৈদৌবা তাবা?

পঙহল্লবা, লায়রহল্লবা, তোলহল্লবা, কিহল্লবা, নংহল্লবা, শোলহল্লবা ময়াম অমা লৈরবদি ভোট খোম্বা লায়রে। ভোট খোম্বা ইৱা ৱানদ্রে। পঙহনবীরবনা মশানা পঙই খঙজ দবা, শোলহল্লবনা মশা অসি শোল্লি খঙজদবা, অঙাও শীবিরবনা মশা অদু ঙাওই খঙজদবা, লায়রহল্লবনা মশা অসি লায়রৈ খঙজদবা অদুমা অদুম হীদাক কাপথোক্ত্রিবা লায়নানি। মসিদগী হেন্না মী শিনঙাই ওইবা লায়না লাইচৎ লৈরমদৌবা মান্দোবো। ●

# নুপীনা পাল্লিবসি রাইট অদুখক্তরা

**নবকুমার ওইনা**

মালেমদা মী ওইনা লৈরক্লিবসি নুপী য়াওরম্বগী ওইথোক্লিবনি হায়বসিদি ইখন খন্থনদ্রবসু অদুম খঙবা ৱানি। কাঙলূপ মরক্তা হাৎনবা, শা-লান তৌনবদসু নুপী মুন্নবা, ফানবা অদুম য়াওনরিবনি। নুপীনা লৈমা ওইরগা লৈবাক ঙাকপসু য়াওনরিবনি। লৈবাক কয়াদা নুপীবু মীনাই ওইনা য়োনবা-লৈবা তৌনরম্মীবনি। ঙসিদি লৈঙাক পায়বদা নুপী-নুপা রাইট চপ মান্নরে, হীরম খরদদি মান্নবা ঙমদে।

মান্নদবগী হায়রবদি নুপী মশানা মান্নদে খনবা য়াম্বনা ওইবা য়ারিবনি। মান্নগদৌবনি, মান্নরে খন্দবা য়াওরিমখৈ মান্নবা ঙমখিরোই হায়গদৌরিবনি। লোইনা মান্নরে হায়বদুদি কৈদৌঙৈদা ওইরোইদৌরিবনি। মান্নহন্নবা হোৎনবসু কুইদ্রিবনি, নুপীশিংনা মান্ননা চাওখৎলকপদা খুন্নাই অমগী শক্তম হোংলক্কদৌরিবনি। রাইট হায়রিবশিং অসিশেমদ্রিঙৈদা ৱাখলদা হান্না অহোংবা লাকখিবা ঙাক্তনি। অনৌবা করি করম্বা রাইট শেম্বা তারি হায়বসি খন্থবা ঙম্বা লৌশিং হান্ননা লৈবা তারকই, লাইরিক হৈবা চঙই। সর্টিফিকেটনা য়ারোই, পি ঐচ দিনা য়ারোই, গোল্ড মেদলনা য়ারোই। লৌশিংদু মাংবা-শেংবদা শীজিন্নরবা, মমৌ নুপী ওৎপদা শীজিন্নরবা, লাই খুদিং পঙখুদা খুরুম্বদা শীজিন্নরবা, সনা শীজরগা নাপল কারবা, মচা পোকই পোক্তে খায়রবা খুন্নাইদুদি হৌগৎপা ঙল্লরোইদবনি। রাইট মান্নরে হায়বদগী নুপা ফূবা ঙন্বী নুপীসু লৈখৎলকইবনি। নুপা মুন্নবগী ৱাথোকসু লৈতবা নত্তে, কপ্লগা লেলহৌবা নুপী মশীং ৱাৎপদি নত্তে, নুপী মশেলগী লান্দু নিপাদা তায়নবা লাল্লকইবনি। কায়নববু লাল্লি হায়রিমখৈ কায়নবা তোয়খিগনি, নীংবদুনা কায়খ্রবদা ৱারৌবনা থুমহৎখিদুনা য়ূম পান্দ্রবী নুপী মশীং য়াল্লগনা খুন্নাইদু নুপীনা মূত্থৎপনি হায়গদৌরিবনি। নুপীশিংনা নুপী মশীং খঙনা ৱাখল খল্লে হায়বসু য়াদ্রিবনি। নুপীনা য়াম্বা খুন্নাইদা নুপীনা নুপী ওৎপা, চঙজফম পীদবসি নুপী খুন্নাই অদুগী অচৌবা অশোয়বা অমা ঙসি ফাওবা চত্থদুনা লৈরিবা অপঙবা ফুদোক্লফম ওইরিবনি। কঞ্জার্বেটিভ ওইবা খুন্নাইদা ইতৎ তত্তনা থোক্লিবা ৱাথোকনি, মীঙোন্দগী ৱায়বা লো কয়া শেরান-তুরান শেমজিন্দুনা থম্বসু লৈ। মশানা মশা মূত্থৎচরিবনি। মচা পোক্ত্রগা হরাওজবা লম হায়বসিদি মদোম মূচ্চরগা মাঙখ্রগদৌবনি। খুন্নাই শেমগৎপদুগী থৌদাং লৌদবনি হায়বসি খঙজদবনি। মশাগী নাপলনা মশামক হাত্তোকচবনি। ইপঙ পঙনা লিদর শাবদগী রানি মানবা নুপী মশীং ৱাৎপা নত্তে, অপঙবা মশেল মীচং চঙনৈ হায়বদুনি।

বোম্বেগুম্বদা সিঙ্গল পারেন্টস ফেমিলি লৈরবনি, নুপা থমদনা মচা পোকপদা নুপীশিংনা চগৎ-চগৎ ঙাঙবা য়াদ্রবনি। ইখন খন্থদনা নুপীশিংনা নুপীগী মরমদা ৱাথোক শাগৎপা য়াওরিবনি। নুপী অমগী মচিংদা নুপী ময়ামগী লাইবক থিহল্লিবনি। করিবু খঙদুনা মিংচৎ ফজবা-ফজদবা হায়না খায়দোকপা ঙল্লিবনো? ৱা ৱা ঙাঙনরগনা মিংচৎ ফজবনি খনবসি মোনার্কিজমগী শাজন্তা রানি শানরকপনি হায়গনি। মশামক্না পোকপা নত্তে খনবদগী নিংঙোলশিংগী অৱাবদু খঙদবনি, খুন্নাইসি খঙদবনি হায়গনি। মীগী প্রাইভেট লাইভতা মিৎয়েং হেঞ্জিন্না থম্বসিসু চাওখৎপগী খুদম নত্তে হায়বা খঙনরিবনি, রাইট লৈবা-লৈতবা ওথোরিটি শাজিনবসু অদুম চুমগনি হায়বা লৈতে। হৈনবীদা য়ূম মৈ থাবা খুদিং অদুম চুমগনি খল্লবদি মী নত্তে হায়রক্কনি।

নুপী ওইবীশিংনা মশাগী অশোনবসি হেক হেক কাউখিদুনা য়ূমগী নুপা ফাওবা হঙোই মহাদৌনা লৌবা য়াওনরকইবনি। শেল খরা পীবসি চপ্লগা পীবা, কদায়দা চৎলি কোয়শেন শেন্নবা, ফি-রোলদা ফাও শম পক্লকপ্রা য়েংবসু লৈ হায়নরিবনি। কনা অমনা ফি থুপ্পিনবা ৱাখল লৈতবসু য়াওরিবনি। ষণ শেন্নবগুম শেন্নবগী মথক্তা মশাগী করি করি অশোনবা য়াওখ্রবগে হায়বসি থিগৎপসু চঙই। ফি শুবা হৈত্রবরা, চাক এঙ্গাং হাওহনবা হৈত্রবরা, মীনা নুংশিনবা ঙাঙবা হৈত্রবরা, জগোয় মতেক অমা ফাওবা শাবা হৈত্রবরা হংনরক্কদৌরিবনি। য়ূম্বাল্লোনগী লৈঙোইদু পৌমল্লব্রা, হুমদাং নাম্মা ৱাৎলি হায়বদু চুমগদৌরিব্রা? অফবদি ময়াম লৈ, শন্দোকপদি ঙমদে হায়বনি। ইমোইনু ইরাৎপসু হুরানবগী মওংদা পঙনিদা নিগনি, পান্থোইবী লাৎপদনা নাপল তৌনগনি, লাইদু খঙনা লাৎপা মাল্লক্তেদনা। পঙলাৎ লাৎলগনা পঙবা হেনগৎপদি মশানা তারকপনি।

খুন্নাইসিদা লৈবাক্কী থৌদাং লৌবদা নুপী কয়া য়াওরবগে? মদুসু নুপানা হৌদোক্কদৌবনি হায়বা লৈবরা। নুপীশিংনা তৌবা থবক্তা নুপাশিংনা থিংবা করি লৈরিবগে (খুন্নাইনা থিংবদি লৈগনি) নুপানা তৌবা থবক্তনা নুপীশিংনা থিংবা করি লৈরবগে? করিগীনো? নুপা-নুপী অনীমক চেন্নবা থবক্তা অমখক্তদা তায়নবদি চুমদে হায়গনি। নুপাসু নুপীসু পূন্না লৌ উবা, শা-ষণ য়োকপা, ঙা য়োকপা, পোৎফম ফম্বদা নুপীশিংসু অচৌবা থৌদাং লৌরি। পাঙল নুপীনা ঙম্বদু মৈতৈ নুপীনা ঙমদবসু লৈ। লাইরিক লাইশু হৈরবনি হায়বীশিং, তোলোপ চাউনা চাবীশিং লৈবাক খুন্নাই নীংশিংদবী মশীং খঙদনা লৈ, মৈরা পায়বীদা এম এ কয়া য়াম্না য়াওরবগে? শেল থোকপা পুলিসকী থবক্তদি নুপী য়াম্না য়াওরে, আর্মিদদি কয়া য়াম্বা উদ্রি, করিগীনো? তকশিনফম থোকই, হৈনফম থোকই, ঙমফম থোকই। করিগুম্বদা নুপাগী মথক্তা ৱায়েনবা ঙম্বা নুপী লূপ লৈরবদি লোগী মিৎয়েংদা কদায় ফাওবা চুন্না চৎলিবগে? নুপানা নুপীদা মীনম্বা মশীংগা নুপীনা নুপাদা মীনম্বা মশীংগা কয়া খেন্নরমগনি কনানা খঙবা ঙম্বগে? থাজনবীদা লাল্লবদি চুন্না ৱা খন্নবা চঙই, থাজনবীনা লো হেক্তা ওইবসু লানবা য়ারিবনি। শেৎনীংবা ফি শেৎলগা, চৎনীংবা লম্বীদা চৎপদা নুপী খরনা নুপাশিংদা পঙতায় তায়নবা য়াবা নত্তে। নেচরেলনি, করিগী ওইরক্লিবনো খন্থনবনা অচুম্বা ওইগদৌরিবনি। খৎনবদি চুমদে।

লমদমসিগী নুপী খুন্নাইদা মালেমগী নুপীশিং খঙবা নুপীবু কয়া য়াল্লবগে? উরুরে হায়বনা য়ারোই, ৱাখল্লোনশিংদু খঙনবা হোৎনবা তারকই। ঐখোয়না পূম্নমক্কী মথক্তদা লৈগনি খনবদি চুমগনি থাজরক্তে। মালেমগী নুপীশিংনা ঙম্বা খুদিং লমদমসিগী নুপীশিংনা ঙমগদ্রা হায়বা ৱাহং লাকই। কাঙলূপকী মিংদা নুপীশিং চুংশিন্নবা ৱাৎলি, য়েংথীনববু মাল্লি। কাঙলূপ খায়দোকপদা নুপীশিং য়াওফমবু থোক্তবনি। নুপীশিংদি মরী-মতা, ইবেনশিংগী মচা-মশু ঙাক্তনি। জাৎ ওল্লকখ্রবশিংগী মচা-মশুশিংসি ইবেনশিংগী মচা মশু ঙাক্তা ওইরিবনি। নুপাশিংনা ফুরুপ খায়দোকপসি নুপীশিংনা য়াদ্রবদি নুপাশিংনা খায়দোকপা ঙম্ফম থোক্তবনি। মদুগী থৌদাংদু নুপীশিংনা লৌরকপদা নুপাশিংনা থিংবা ঙমগদৌবগী রাইট অমা লৈবসু নত্তে। থৌদাংদু লৌনবগী থৌরাং তৌবদি উদ্রি। মরু ওইরিবদি মদুমক্লি, অমনা অমদা থরুম তৌনদুনা লৈরিবসি অপূনবগী মায়োক্তনি হায়রিবনি। নুপীশিংনা মদু খঙদবা মাল্লি।

মালেমগী থাক্তা নুপীশিংনা ৱা খন্নরকপা মতমদা মালেমসিগী শক্তম হোংলকপা মশানা তাবনি। অফ্রিকাগী ফুরুপ অমদি মী মশীং য়াম্নবা, অঙাং য়ৈথরুবা নুপীদু চহী কুন্থ্রা জেলদা থম্বা য়াওরম্মীবনি। মরায়বক থীবদগী লাইয়ৈ চৎপী কয়া চহী তরা জেলদা লৈবসু য়াওরল্লিবনি। নুপী ময়াম হৌরগা লোদু শেমদোকখি। লো শেম্বগী খুদোংথীবা কয়া থেংনরকপদি য়াই, ফুরুপ অমগী লোনা ফুরুপ অমদা শোকপসু য়াই। লোদু মশাগী ওইনা শেম্বা ঙমজদবা ফুরুপ অমদি মুৎচখিবসু য়ারিবনি। লো ওইনা লৈত্রবসু মশাগী চৎনবী নাট অমনা মুৎনবা লম্বী ওইবসু য়াই। মদুমক লমদমসিদা থোক্লিবা ওইরবদি করি খন্নফম থোকপগে? নুপীনা থৌদাং লৌরক্ত্রবদি খুন্নাইদুদি চাইখায়রগা মাঙখিগনি।

খুন্নাইগী অপূনবা শেনবা থুম্বা নৈনবদা নুপীশিংগী শেন্থোক লম্বীসু অদুম য়াওজরবা ৱানি। নুপীগী ঙাক্তা নৈনবগী থোইনা অহেনবা লৈগনি থাজদে। নুপীসু থবক শুগদৌবনি, থবক শুদবী নুপীসু য়াম্না লৈ হায়গনি। প্লান তৌবদি তোঙান তোঙান তৌবা য়াবা তাবনি। গভর্ণমেন্টকী থবক অমসুং প্রাইভেটকী থবক হায়না খায়দোকপদা চৈথেং হেন্না ফংলিবসি নুপীশিংনা ওইরক্লি। নোংমগী খূৎশুমন পীবদা নুপীদনা হন্থনা পীবগী ৱাফম লৈনরি। অনা লায়েংগী লম্‌দা নর্স অয়াম্বা নুপীশিংনা ওইরি, খেন্নবদু চাউনা লৈরি। খুল্লক্কী নুপী কয়াদি শুফম-চৎফম লৈতনা লৈরি।

চারবসু চাদ্রবসু, থবক শুরবসু শুদ্রবসু, নুপী মশীংনা লিশীং লিশীং হেল্লিবসিগী হিংনবগী লম্বীগী মথক্তা য়ূম পান্নবগী রাইট পীদ্রবদি লাল্লি হায়বসি লৈঙাক্লা খঙবসু চুন্মী, মীয়াম্না খঙবসু চুন্মী। মাগী মাগী মরায়বক্কীনি হায়বদি নুপীনা নুপীশিং উদে, মালেমগী থাক্তা ৱা খন্নবনা কান্নবা পুরকপা লৈত্রি হায়খিগনি। ●